# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ থাঙ-হীদাক

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিটুট অফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

মীয়াম্না থাঙ-হীদাক পান্বী অসি খঙবীরবরা অমদি উবিরব্রা? পান্বী অসি চীংজাই হায়নসু অদুমক কৌনবা ফুট ১৫ রোম ৱাংবা মনা য়াম্না পুংবা উ পান্বী মচা অমনি । পান্বী অসি থাঙ-হিদাক হায়না কৌনবগী মরমদি পান্বী অসিগী মনা অসি শুগাইরগা থাঙ-তেন্না শোকপদা থোমদুনা লায়েংনবগীনি। থাঙ-হিদাক পান্বী অসি ইংলিসতা ইন্দিয়ন লৌরেল (Indian laurel) নৎত্রগা শোফ বোলিগম (Soft bollygum) নৎত্রগা বোলি-বিচ (Bolly beech) নৎত্রগা বোলি-ৱুদ (Bolly wood) নৎত্রগা বোলি-গম (Bolly gum) নৎত্রগা ব্রাউন্দ-বিচ (Brown beech) নৎত্রগা সাইকেমোর (Sycamore), আফ্রিকান্সতা ইন্দিজ লৌরিয়র (Indiese lourier), ফ্রেন্সতা এভোকেট মেরোন (Avocat marron) নৎত্রগা লিতসি গ্লুটিনিয়ুজ (Litsee glutineuse), ভিয়েটনামিজদা বোই লোই-দো (Boi loi do), আসামিজদা হেলুকা (Heluka), বেঙ্গোলিদা কুকুরচিতা (Kukurchita), হিন্দীদা মাইদা লক্রি (Maida lakri), চাইনিজদা চান-গাও-মু-জিয়াং-জি (cha-gao-mu-jiang-zi), সংস্কৃততা মেদাসাকা (Medasaka), নেপালিদা কাৱালা (Kawala), তেলেগুদা কানুগু নালিকে (Kanugu nalike) নৎত্রগা মেদা (Meda) নৎত্রগা নারা-নালিকে (Nara-naloke), তামিলদা উরালি (Uralli) নৎত্রগা ইলুমবুরুকী (Elumburukki) নৎত্রগা মুকাইপেয়েতী (Muchaippeyetti), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *লিটসিয়া গ্লুটিনোসা (Litsea glutinosa (Lour) C.B. Rob)* নৎত্রগা *লিটসিয়া সেবিফেরা (Litsea sebifera pers)* নৎত্রগা *লিটসিয়া লৌরিফোলিয়া (Litsea laurifolia (Jacq.) F.M. Bailey)* নৎত্রগা *তেত্রানথেরা লৌরিফোলিয়া (Tetranthera laurifolia Jacq.)* হায়না কৌই অমসুং *লৌরেসী (Laureceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না থাঙ-হিদাক পান্বী অসি ভারত, খা থংবা চাইনা, মালেসিয়া, অষ্ট্রেলিয়া অমসুং নোংপোক থংবা পেসিফিক আইলেন্দশিংদগী হৌরকখিবনি। পান্বী অসি অৱাং নোংপোক ভারত, ভুটান, ম্যান্মার, নেপাল, ফিলিপিন্স, থাইলেন্দ অমসুং ভিয়েটনামগী মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজে। থাঙ-হিদাক পান্বী হৌবা চাইনাগী মরুওইবা মফমশিংদি-ফুজিয়ান, হাইনান, য়ুনান, গুৱাংশী অমসুং গুৱাংদোং অসিনচিংবনি। পাউদমশিংগী মতুংইন্না থাঙ-হিদাক পান্বী অসি মৌরিসিয়স, মেয়োটে অমসুং খা-আফ্রিকাগী ক্বা-জুলু-নেতেল প্রোভিন্সশিংদা পুদুনা থাখিবদগী ফজনা হৌখরে। অৱাং নোংপোক ভারতকী অয়াম্বা মফমশিংদা থাঙ-হিদাক পান্বী অসি হৌবগী পাউদম লৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি থাঙ-হিদাক পান্বী অসি চীংগী মফমশিং, তম্পাক্তা লৈবা অনেম্বা চীংশিংদা অদুমক হৌজরবসু তম্পাক্কী মফমশিংদা থাবদসু অদুমক ফজনা হৌবা ঙম্মী। মহৌশাগী ওইনা থাঙ-হিদাক পান্বী অসি সমুদ্র ঈমায়গী মিটর ৫০০ দগী মিটর ১৯০০ ফাওবা মফমশিংদা হৌই।

থাঙ-হিদাক পান্বী অসি মেসিদুঅস হায়বদি চহী ১ গী মনুংদা মতম খরদি উনাশিং অদু



কেনগল্লি। পান্বী অসি থোইদোক হেন্দোকনা মনা পুংই অমসুং ফুট ৭০ ফাওবা ৱাংবা য়াওই। পান্বী অসিগী মনা অদু শাংতক্লা পাকই অমসুং নৌরিঙৈদা য়াম্না কুপ্পা ঙৌরুনবা মতুশিং কুংনা পাল্লি। হঙ্গাম মপাল মচুগী অকুপ্পা লৈশিং চবুল ওইনা মার্চ থাদগী জুন থা ফাওবদা শাৎলি অদুগা খুৎনাওবী তংখাইমুক চাওবা মহী হোমতম তৌবা মহয়শিং সেপ্টেম্বর অমসুং ওক্টোবরগী মতমদা পাল্লি। থাঙ-হিদাক পান্বী অসি মমুন ফারবা মহয়দগী য়াম্না লায়না চারা শন্দোকপা য়াবগী মথক্তা ষ্টোলোন হায়না খঙনবা মত্রা নৎত্রগা মরাদগীসু চারা শেম্বা য়াই।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না থাঙ-হিদাক পান্বীগী মহয় অসিদা মনম চেনবা থাউ অসি চাদা ৪৯ গী চাংদা য়াওই অমসুং হায়রিবা থাউ অসিগী চাদা ৮৫ রোমদি লৌরোষ্টিয়ারিন (Laurostearin) অদুগা লেমহৌরিবা অদুনা ওলিন (Olein) হায়রিবা কম্পাউন্দ অসিনি। থাঙ-হিদাক পান্বীগী মনাদসু চাং হন্থরপ তৌনা থাউ মখল অমসুং য়াওই। হায়রিবা থাউ অসিদা য়াওবা মরুওইবা মচলশিংদি ফাইতোল (Phytol) চাদা ২২.৪ কেরয়িওফাইলিন (Caryophyllene) চাদা ২১.৪, থুজোপসেন (Thujopsene) চাদা ১২.১৭ অমসুং বিতা-মাইরসিন (B-myrcene) চাদা ৫ অদুগা মহয়গী থাউদনা লৌরি এসিদ (Lauric acid) চাদা ৪৪.৮, এলফা ক্যুবেবিন (L-cubebene) চাদা ৬.৮। পান্বীগী মনাদা য়াওবা মরুওইবা মচল ফাইতোল (Phytol) অসি মহয়গী থাউদদি য়াওদে। Phenylcinnamic acid অমসুং Coumeric acid অসি পান্বীদা য়াওবা Crystalline substance শিংনি।



তুম্বা য়াদবা (Insomnia)

থাঙ-হিদাক পান্বীগী মশা পুম্নমক হিদাক্কী ওইবা মগুনশিং য়াওই। থাঙ-হিদাক পান্বীগী মনা অসি তোংশা-কায়দুনা চীকপা নাবা (Spasmodic), মীওইবগী উনশাবু থোৎতোকহনবা ঙম্বা (Emollient) অমসুং অশোক-অপনশিং (Wounds) ফহনবা ঙম্মী। পান্বী অসিগী মরা অসি নুপীগী থাগী খোংকাপ পোকহনবা (Emmenagogue) ঙম্মী হায়না পাউদমলি। সিঙ্গাপোরদদি থাঙ-হিদাক পান্বীগী মরু অসি তখাইরগা অশোক-অপন অমসুং অপোম-অতংদা তৈদুনা লায়েংনৈ। হায়রিবা লায়নাশিং অসিদসু থাঙ-হিদাক পান্বীগী উগী মকু (Bark) অদু শুগাইরগা লৌবা অনংবা মহী অদু তৈদুনা লায়েংবসু য়াই। পাউদম অমগী মতুংইন্না বঙ্গলাদেশকী মীওইশিংনা থাঙ-হিদাক্কী মনা অদু শুগাইরগা ঈশিংদা তীংদুনা শেম্বা মহী অদু পীথক্তুনা খোং হামথবা (Diarrhea) অমসুং ঈতোন ফায়বা (Dysentery) অসি লায়েংনৈ। হায়রিবা মহী অসি পীথক্তুনা নুপামচাশিংনা য়াম্না তোয়না ফম্বী চৎপা (Excessive semen flow), তুম্বা য়াদবা (Insomnia) অমসুং পূক্নিং-ৱাখল লৈতাদবা (Neurosis) অসিসু লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ। ভারতকী ত্রাইবেল কয়ামরুম্না থাঙ-হিদাক পান্বীগী উগী মকু অদু শুগাইরগা শেম্বা মহী অদু পীথক্তুনা খোঙ হামথবা অমদি ঈতোন ফাইবা লায়েংবগী মথক্তা অশোক-অপন তৌবদসু তৈদুনা লায়েংনৈ। মৌরিসিয়সকী মীওইশিংনা থাঙ-হিদাক পান্বীগী মনা অহুম, পুংদোন মনা অহুম অমসুং ফাইমাটোদিস স্কোলোপেন্দ্রিয়া (Phymatodes scolopendria) গী মউ (Rhizome) অমগা পুন্না শুগাইরগা পীথক্তুনা থীবোঙ-থীরিলদা তীন লৈবা অদু লায়েংনৈ। ভারতকী মফম খরদদি থাঙ-হিদাক পান্বীগী মহয়দগী লৌবা থাউ অদু চাং নাইনা তৈদুনা তাং-চাউথোক্তুনা চীকপা নাবা (Rheumatism) অসি লায়েংনৈ। হায়রিবা থাউ অসি চাং নাইনা তৈবদা শম কেনবা ফহনবগী পাউদমসু লৈ। চাইনাদদি থাঙ-হিদাক্কী মরুগী থাউ অসি শাপোন (Soap) শাবদা শীজিন্নৈ।

# মণিপুরদা খ্বাইদগী হেন্না হাওবা এঙ্খাং করিনো?
# বর্মাগী নূংঙা ঙাফক্কা চরুয়েনগা থোংবদি ?

- সেলৈবম বিহারি -

**লমদমসিদা** লৈরিবা ইনাক খুনবা কনানা নূংঙা ঙাফক্কা চরুয়েনগা থোংবা চহী অমদা কয়ারক চাবগে? করি এঙ্খাং চাই? মৈতৈ শরেং থোংবা চাই। মণিপুরদা চানরিবা মৈতৈ শরেং থোংবনা খ্বাইদগী হাওবা ইনশাংলা? মসিনা খ্বাইদগী লেল্লবা এঙ্খাংলা? নূংঙা ঙাফক্কা চরুয়েনগা থোংবদি হাওগদ্রা?

নত্তে। মৈতৈ শরেং থোংবদগী হেন্না হাওবা, হেন্না লেম্বা, ইনাক খুনবা অমনা পাক-পাক হেক চাদবা ইনশাং অমা লৈরি মদুদি নূংঙা ঙাফক্কা চরুয়েনগা থেংবনি। চরুয়েন মপুম ওইরিঙৈদা ঈশিংদা কুইনা থাদদবীদা হাইরপ্তা চাল্লগা পিক্তক তেন্তক্লা শেল্লগা বট্টরদা করিমত্তা য়াওদনা মুন্নবা ঙৌরগা লৌথরবা, মথংদা হৱাই মাইরোংবী নূংঙা ঙাফক্কা মুন্না থোংলগা থৌথোক্লবা চরুয়েন থাক্লগা অফবা অচাথাউদা শোক তৌরগা চাবগী মহাওদি করি হায়রুনি। হৌদোং য়েৎনা ফুই হায়বদুগী মথেলদু মসিনি।

মথেল অসি ঙসি ফাওবদি ইনাক-কৈরান খুনবা ইজ্জৎ লৈবা অমত্তনা চাকচা-হৈজানবা, মঙানি চাক্কৌবগুম্বদা মথেল অমা ওইনা য়াওবা চহী ৭২ মপুং ফাগদৌরবা অইবগী পুন্সিদা থেংসু থেংনদ্রি য়াওবগী পাউসু তাদ্রি। মথেল য়াম্মী পুংসু সুরে হায়নরিবদুবু কদায়দা সুরিবনো? লৈবাকসিবু অহাওবা মশক খঙদবা জাৎলা অইবনা ইথন্তা পূক্নিংদা খঞ্জবনি।

অশেংবনি। নূংঙা ঙাফক্কা চরুয়েনগা থোংবা এঙ্খাং অসিদি অইবগী চিং দদি মসিদগী হেন্না হাওবা এঙ্খাং অমা লৈত্রে। অসুক হাওবা ইনশাংসি চানবা চরুয়েন য়াম্না তাঙই। লৈদুনা চাবগী মহুৎতা য়ূমদা থারগা চাবীয়ু। চরুয়েন য়ূমগী অহাংবা কাদা থাবা য়াই, মাঙ্গোন্দা, য়েন্নখাদা, শুমাঙ অমসুং ইথ্খোলগী অহাংবা উখা-ৱাখা মচি অমদা হেক্তা থাবা য়াই। চরু অফবা ফত্তবা অনীমক্তা হৌবা ঙম্মী। য়াম্নমক খুদোং চাবদি খামদেল্লবা শীজিন্নদ্রবা অরিবা চরু ইকুনি।

চরুয়েন চরুদখক্তা থাগদবনি হায়বা লৈতে। চু শুমখিবগী চুবা, গেহুগী চরু, খবর চে, লংজম ফি, লিহিং বোরা অমসুং হৱাই মরী মকুনচিংবা পোৎলম কয়ামরুমদা চরুয়েন থাবা য়াই। লফু মনা অকংবদসু থাবা য়াই। লমদম অসিদা মরাং কায়না ফংবা পোৎশক হায়রগদি চরুনি। মথংদা লফুদা কংলগা য়ান্থদুনা লৈরিবা লফু মনানি। মণিপুরগী চীংগী লমদা লফুগী ফার্ম কয়ামরুম লৈবা উই। তম্পাক্কী লমদসু লফু খরা খরা অদুম হৌবা থেংনৈ।

চরুয়েনদি হিপ (মপৈ) ওইনা থাদুনা ওমশিল্লগা হিপ মনুংদু শাগৎহনগদবনি। চরুয়েনগী টেম্পরেচর রেঞ্জ ৩০ দগী ৪৫ ফাওবনি। হায়রিবা টেম্পরেচর অসি হিপ খরা চাওদ্রবদি ফংবা ঙমদে। মরম অদুনা হিপ অদু ফুট ৩ নৎত্রগা ৪ গী ক্যুবতগী তারোইদবনি হায়বদি হিপ অদু পাকপা, শাংবা অমসুং ৱাংবা ফুট অহুম মরিদগী তাহল্লোইদবনি। হৌজিক চরুয়েন থানবা শেম-শারসি।

ত্রিটমেন্ট :- চরু অফবা খল্লগা ডাইমেটর ইঞ্চি তরুক্লোন ওইবা মপুন ৪৫ খক শেল্লগা ফুট অহুমগী অহেনবা মতোল্লোমদা ককথৎলো। ঈশিং অফবদা পুং ৪৮ (নুমিৎ নিনি) তিংলগা ঙমথবা মফমদা থমদুনা নৎত্রগা ফেল্লেননা ঙাদুনা মচুম শেংনা তাহল্লগা বেদ শেল্লগা চরুয়েন থাবা য়ারে।

বেদ শেম্বা : - শেমগদৌরিবা বেদ অদুদগী খরা হেন্না পাক-চাওবা লৈঙোই বিলামটিনচিংবা য়াওদবা ফম্বাক অমা চেক খরনা শেম্বীরগা মদুগী মথক্তা অতিংবা চরু মপুন মচা মঙা-তরুক (চরুনা শাংলিবা অদুগা মান্ননা পাক্লা) মকোক্লা নাকল অমদা ওল্লগা থমগনি। মথংদা থমখিবা চরু মপুনদুগা মশিং চপ মান্ননা মমৈ মকোক ওন্ননা মথক্তা পরেং মান্ননা থল্লগা খূৎনা নমথদুনা চিন্না কৃক-কৃক ইন্ননা থমগনি। নাকল মরিমক্তা চরু চায়থোরক্তনবা অমসুং চিন্না হাপ্পা য়ানবা উচুক নৎত্রগা উ/ৱাগী ফ্রেম শেমদুনা চিলহনগনি। হৌজিক অহানবা লেয়রগী বেদ শেম্বা লোইদুনা চরুয়েন মরু থাবা য়ারে।

চরুয়েন মরু হাপ্পা :- ফিবান অকোইবদগী ইঞ্চি অহুম চঙশিল্লগা চরুয়েন মরু খুবিমুক ইঞ্চি অমরোম লুথনা ইঞ্চি অনীরোম লাপ্ননা ইকোয়-কোয়না হাপকনি। মথংদা ফিবান্দগী ইঞ্চি মঙারোমগী এরিয়াদা ইকোয়-কোয়না চেঙকুপকা বেশোনগা য়াল্লগা ইকোয়-কোয়না চাইগনি।

মথংগী বেদতি চরু মপুন খরা ক্রোসৱাইজদা (কারন ওইনা) মথক্কী অসুম্না চপ মান্ননা শেল্লগা মরু হাপ্লগা চেঙকুপকা বেশোনগা মথক্কী অসুম্না চাইগনি। মথং মথং লেয়র অমগী মথক্তা ক্রোজৱাইজদা লেয়র, অসুম্না য়ামদ্রবদা বেদকী মরাক ময়ুংমুক ৱাংনা শেমগনি। হেন্না ৱাংবগীদি ইশাগী খুদোংচাবা য়েংলগা ৱাংহনবা য়াই।

খ্বাইদগী মথক থংবা মপাক অদুদি ইঞ্চি অনীরোম কান্নরগা থুংনবা থাবা য়াই নৎত্রগা চরুয়েন মরুগী মহুৎতা অতোপ্পা ওইষ্টর মশরুম মখল অমা পাতক্লা চাইরগা থাবসু য়াই।

টৈপ দ্রেশিং :- মরু থাবা লোইরবা মতুংদা অতিংবা চরু ইঞ্চি অনীরোম থানা থুংনবা শন্দোক্লগা খুবাক অনীনা থুংনবা কিৎ-কিৎ নল্লগা চাইথোরকপা চরু মকুম মকাইশিংদু তাশিন-খোমজিনগনি। অরোইবদা হোদবা প্লাষ্টিক সিট অমনা কুপশিল্লগা নাক-য়েৎ নিংথিনা নুংশিৎ চঙদনবা চেৎনা য়েপশিনগনি। অসুম্না নুমিৎ মঙানি লেঙদনা থমগনি। তরুকনি শুবা নুমিৎতা চেরংদু মচি অমা হাইদোক্তুনা য়েংবদা চরুগী হিপ্তু কংবগী মওং উরবদি চেরংদু হাইদোক্তুনা ঈশিং স্প্রেনা পাতক্লা কাপ্পগা অমুক হান্নগুম্না চেৎনা য়েপশিনগনি। অসুম্না নোংমা নোংমা কান্নরগা চেক তৌগনি।

ঈশিং চাইবা অমসুং হেকপা :- নুমিৎ ১৫ নি রোম লৈরগা থাংজিং মরু মান্না চরুয়েন হৌরক্কনি। হেক হৌরকপগা চেরং লৌথোক্লগা নুমিৎ হুম্নি থমগনি। মরিনি শুবা নুমিৎতগী নোংমদা অইং-অশা য়েংলগা ঈশিং স্প্রেনা ২-৩ লক চাইগনি। নুমিৎ ৫-৬ নি শুবদা শাৎকে তৌরক্কনি। মতাং অদুবু বট্টন ষ্টেজ হায়না খঙনৈ। মতাং অদুদা হেক্লগা য়োনবনা কেজিদা লুপা ৮০০ নি। পূমশাৎ শাৎলগা য়োনবনা কেজিদা লুপা ৫০০ নি। মরোল মরোল নাইনা ৫-৬ লক নৎত্রগা হেন্না হৌরক্কনি। চরুয়েন কেজি অমা পুথোকপদি লুপা ৯০০ য়ৌনা চঙদে। হৌজিক য়োন্নরিবসি লুপা ১০০ গী খরা চাওবনা মশীং ৮ খরা পিল্লগা হেনবা, ওনবদদি গ্রাম ১০০ রোমদনি।

লফু মনাদা চরুয়েন থাবা :- চরুয়েন, লফু মনাদা থারগা চরুদা থাবগা খেন্নবা হায়ববু লফু মনাদু ফুট ৩ নৎত্রগা ৪ দা কক্লগা নুমিৎ নিনি তিংগনি। খেন্নবদি লফু মনাদি মপুন মপুন লোই অসিখক্তনি।

ৱারোইশিন :- চরুয়েন খরা খরা থাবনা য়ূমগী ঙাচেৎ থুমচেৎ লায়না পুবা ঙম্মী। য়ূম্বুবী নুপীশিংগী য়াম্না চান্নবা থবক্নি। য়ুনিভর্সেল মশরুম ক্লবকী হাপ্তা খুদিংগী ইরাই নৎত্রগা থাংজ নুমিৎতগী হৌবা নুমিৎ হুম্নিগী চেঙ্গুম থাবগী ট্রেনিংদা চরুয়েন থাবগী থিওরি প্রেক্টিকেল অনীমক পাঙথোকই। থৱাই য়াওবীবশিংনা ট্রেনিং য়াওবা নৎত্রগা য়েংবা য়াগনি। এক্স-ট্রেনি নৎত্রগা মশরুম ফার্মরশিংসু য়েংবা য়াগনি। তৌবতদি মাঙজৌননা ক্লবকী ফোন নম্বর ৮৯৭৪৮৭০৮১০ নৎত্রগা ৯৪০২৮৬৮৫৪২ দা হান্না কনটেক্ট তৌবীরকউ। নীংশিংবীবা য়াই ক্লব অসিনা মণিপুরগী তম্পাক্কী লমদা চহী চুপ্পা চরুয়েন হৌহনবা ঙম্মী।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৭

১। মৈতৈ ঐখোয়গীসু কুইরবা মতমদগী থাজৎ (কেলেণ্ডর) পাবা শীজিন্নরক্লে।
(ক) নোংমবু শরুক ৮ থোক্লা খায়দোক্লগা শরুক অমবু করি কৌবগে?
(খ) চাউরাক্লা নোংমদা মৈতৈ পুংশিং কয়া লৈবগে?
২। "নহাক্কী নুংশিরবা কুহু খোঞ্জেল তাবদা / নীংশিংলক্লে ইরৈবাক, মরুপ মপাং নুংশিবা।" পরেং অনীসি কবি ইরাবতকী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। "ঙসিতমক খঙলকই / অঙাঙবা মচুগী ফজবা / অদুবু / চিংলি লেপ্তুনা / লম্বীসিনা ঐবুদি।" পরেংশিং অসিনা কবি বিরেন্দ্রজিৎকী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। "অনৌবা ঊনাগা / ঐগী পূক্নিংগা / অয়ূক খুদিংগী / তত্তনা খৎনৈ।" পরেংশিং অসিনা 'নিংঙাই' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিক 'লমহাংগী মালং মহাক্কী শমলাঙ' কৌবা অদুগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা / থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# এদিটৰদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লাইরোল তিল্লোল শোন্দুনসু কান্নররোই

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

মীয়ামগীদমক খনগেরা খল্লোইরা? করিমত্তা য়াওজররোই হায়দুনা চেক-মোক লাউদনা তুমিন লৈজবা মীচম কয়া অমসু য়াওরিবনি। মখোয়গী ৱাখল করম্বনো নৈনদুনা কান্নগদবা নত্তে। লৈকাই হৌরবা, খুল হৌরবা, মতুংদা ওইরবসু ইশা ঙাকথোকচনবা করিগুম্বা খূৎলায় অমা পায়দুনা য়াওগদবনি হায়বনা অহল-লমনশিংনা করিগুম্বদা হায়বীরম্বা য়াওরিবনি। মালেমসিদা ইথন্তা হিংবদা নুংঙাইগদবা কনাসু লৈরোই। অমগা অমগা নুংশি-চান্ননা অরৈ-লৈতা হংনদুনা হিংমিন্নবা মসিদগী হেনবা অতৈ অমা লৈররোই। য়ারিবা মখৈ ইথন্তা হিংবগী ৱাখলসিদি কাইনথংদা অঙাওবা ওইরক্তনিঙাই লৈরোই। মালেমগী মনুংদা তাইবঙ মীওইবা অমা ওইনা খ্বাইদগী মখল শুনা চাবা কনানো হায়না হংবদা মসিগী পাউখুম ওইনা কৈথেলদা তারিবা অঙাওবা-অঙাওবীশিংসিনি হায়বদা লানগদবা নত্তে। মখোয়দি অফং-অফংবা চাদুনা মবুক থন্নবা চিলহাও থিদনা চাবনা অয়াম্বনি। মখোয়না চাদবা করিবু লৈরিবগে? ভিটামিনদা হায়রুরবদি চিংথদ্রবনি। ৱাখল চোইবনবু ইকাই-ইকি করি অমত্তা য়াওদনা অফং-অফংবা চাবনি। চিলহাও থিবগী ৱা লৈতে। চাববু য়ারবা অদুমক চারবনি। অঙাওবা-অঙাওবী অমত্তা মীয়াম্না বন্দ, ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌরিবা অসিদা থৌনা লৈনা ঐসু য়াওদবা য়াদে খন্দুনা য়াওবা ঙসি ফাওবা লৈখিদে হায়না হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। হায়গুম্না লমদমসিদা তৌরিবা মওংসিদি নিংথৌগী লৈঙাক্কা ওইরল্লবা মতা অমা ওইনা মচু তাদনিঙাই লৈরম্মোই। খুদিংমক্তা ফংগদৌরিবা চৈরাকতু করিসু নাচুংদবা অমা ওইনা উনরকপা মসিসু তাহৈদবা-উহৈদবা ময়াম অমা থোরকপনি । কনাগুম্বা শিবগী চৈরাক ফংলবা মীওই অমা অশিবা অদুমক উৎত্রবসু চৈরাক ফংলিবা মহাক্তুগী ফোটো অদুদি পাউচেশিংদা তশেং-তশেংনা উৎথোকপগী খুদোংচাবা লৈরমদ্রবসু লৈহনবদি য়ারবনি। ফোটোদুগা কোন্ননা উবদা খরমখৈদি তৌরুবা য়াবা নত্তে খনগদৌরিবনি। মৈগী মগুন খঙদবা অঙাংনা মৈদা অমুক্তং পায়বদা মৈশা ফংলবা মতুং তাবদা পায়য়ু য়ারোইদৌরিবনি। মসি পঙহায় হায়জিনবা ৱাদি নত্তবনি। নিংথৌগী লৈঙাক্তদি কিদবা মীচম অমত্তা য়াওদবনি। মতমসিগী মওংসিদদি নিংথৌগী লৈঙাক্তু অমুক্তদি লাকহন্নিংখ্রেদা। হৌজিক হৌজিক ফোং-ফোং শানা মীচমনি হায়দুনা লৈনরিবা ময়ামসিগী মনুংদা শাহিং ঙাহিং চাবা জীবনা খনগদবা ৱাখল অদুমক খন্দুনা লৈবা য়াওরিবনি। পার্টি অমনা পায়গেরা খেন্নরিবসিবু কদায়দনো? মশা মশাগী পার্টিনা হেল্লি হায়নরিবা পোলিটিক্সকী ৱারীনি। পোলিটিক্সসিবু ফজনা য়াওরবা মরাইবক লৈদনা য়াওরিবা পার্টিদুনা লাইবক ফদনা লৈঙাক্কী চুপ্লি পায়রবা খরমখৈদি শাফগদৌরিবনি। মচা মশুনা থবক চঙবদা কোটাদা শেল তিংলোইদৌরিবনি। তিংদবা য়াদবা খরা তিংলবসু অদুক হাক্লা অরুম্বা হায়বদুমদি থোক্লরোইদবনি।

লৌ উবদা ফৌ য়াম্না থোকপা লৌমীদু হরাওদনিঙাই লৈরোই। শেল য়েনগেরা-য়েল্লোইরা মীচম মীয়াম্না ভোট পীদুনা কখ্রবা লাইবক ফন্দনা লৈঙাক্কী চুপ্লি পায়বা ঙল্লবা ফম্লাইবা ওইরবা মখোয়শিংনা খ্বাইদগী পামদবসি বন্দ, ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক মসিগুম্বসি লৈঙাক্তদি তৌহন্নিংবা নত্তে। লৈঙাক্কা করিগুম্বদা ৱারোইশিন অমত্তা লৈতনা লম্বী থিংবা, লম্বী ময়াইদা গাড়ীগী টায়র মৈ থাবা, উপাম্বী কয়া ফৈজিনবা পুম্নমক ঙসি ফাওবদা অনীংবা অপাম্বদু ফজনা থুংইদা হায়বা লৈখ্রবা? পুম্নমকসি মুন্না খল্লুরবদি ইশাগী খোঙদা ইশানা শিংজংনা য়ানশিঞ্জবনি হায়বদা য়ারবনি। ঈরাংদা লৈজবী থাদুনা খুরক হাংদবা মখৈ লৈবসিদি শিৎলিবা নুংশিৎ ফাওবা অইংবা শিৎপা ঙমদ্রবনি। থৌদোক-ৱাথোক্তা মথেল ময়াম অমা য়াওবদি ফত্তে কনানসু হায়নগদবা লৈত্রবনি।

কুইর-কুইরগা অনৌ-অনৌবা মথেল ময়াম অমা লৈখৎলকপা, ঐনা তৌরিবা থবকসিদা মীয়াম্না করি ঙাওনখিগনি খনবা ঙমদবা ইকাই-ইকি মচেৎ অমা ফাওবা য়াওদ্রবা মীগী মশিং তাথগদ্রা খল্লম্বসু অসুম-অসুম হেনগৎলক্লি। পুম্নমকসি থিংবীনবা ঙাওবীনবা ৱাৎপদগী ওইরম্বসু কনানা খঙবা। মতম খরা লৈরবদি নুপী ফাওবা মকোই চোমহল্লকপগী থাজবা লাক্কদৌরবনি। মৌনা লৈশাবী শাদুনা পাখঙদা ময়ূম পাল্লুরগা খঙনরক্তুনা মমৈদা কায়নবনা মশীং কয়া অমনি। পুম্নমক মমুৎ তানা থিজিনবগী মথৌ লাক্লবনি। মমুৎ তানা নোইবা (তল হৌনবা য়াম) ফজনা হৌবদা মহাও ফজনা লৈতনিঙাই লৈরোই। অথু-অকাইদা নংবোই-নংদবোই তৌবা মসিদগীদি ইংন-তপ্পা করিদা শোয়খিগদগে খন্দুনা হোৎনবসিনা তুং কোইবা হায়বদু ওইদনিঙাই লৈরোই। খাউয়ৈগী থবকসিদি খরু খোক্তা ফৌ ময়াম অমা পক্তনিঙাই লৈরোই। শাইর-শাইরগা ওইনমই হায়বগী থৌওংদুমদি হৌজিক হৌজিক্কী মীরোলসিদদি থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগনি। থিঙাও লৈঙাওগুম্বা মীগী মশীংসিনা থীংবা ঙমদনা য়ামখৎলকপা অফবা ফত্তবগী ৱাখল খন্থরুবা তৌদবা পুম্নমক পোলোইদা অফবা হায়বদুমদি থাজবা ৱাৎতুনা অদুমক লৈরগনি। নুপানা পোলোই শেৎলগা নুপীনা লুহোং ফানদা ফল্লগা অনৌবা পুন্সি লৈপুন (লুহোংবা) লাকপসু তম্বা ঙল্লোইদৌরি। যুগসি মতা অমগী যুগনি। হায়রুবা য়াবা নত্তে, নমদনা চুরুংলকপসু কনানা খঙবা। য়ক লাউবী চৎনবীসিনা অসুমক লেঙদনা লৈবা তারবা পামজদবা মীচম খরদি ৱানা খাঙবা তাবনি। করিদি তৌরুনি। খাঙবা তাবনি।

*অদোমগী, হেমজিৎ ইরোম্বা, খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ ইম্ফাল*

### মরোল থোকপা লাই

